**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৯-১২-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দেল্লিদা ইং ২০২৩ অমসুং ২০২৪ গী নেসনেল হেন্দিক্রাফ্‌ট এৱার্দ খূৎশিন্নরগনি। ২০২৩ গী নেসনেল এৱার্দকীদমক মীওই ১৮ খনগৎপদা মণিপুরদগী মীওই অহুম য়াওরি।

২) এন.দি.এগী পার্লিয়ামেন্তরি পার্তিগী মীফম অমা ঙসি নিউ দেল্লিদা ফমদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং খন্নগদৌরি।

**অমসুং**

৩) কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৭ তগী হৌরগনি। ক্লাস এলেভেনগীনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৬ তগী হৌরগনি।

----

**এৱার্দঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দেল্লিদা হং ২০২৩ অমসুং ২০২৪ গী নেসনেল হেন্দিক্রাফ্‌ট এৱার্দ খূৎশিন্নরগনি। কেন্দ্রগী তেক্সতাইল

মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- লেমজনিঙাই ওইরবা মনাশিং অসি লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মাষ্টর ক্রাফটস পার্সন্সশিংদা পীগদবনি। কেন্দ্র সরকারনা ভারতকী ইনাক খুল্লবা পাক চাউরবা হেন্দিক্রাফটকী হেরিতেজ অসিবু য়োকখৎনবা অমদি হেন্না মশক খংহন্নবা পান্দমদা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিংবু শিংথাবা ওইনা মনা অসি পীবনি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা তেক্সতাইল মন্ত্রি গিরিরাজ সিংহ অমসুং রাজ্য মন্ত্রি পবিত্র মাগেরিতা শরুক য়াগনি। ইং ২০২৩ গী ওইনা সিল্প গুরু এৱার্দ ফংগদবা মীওই ৫ অমসুং নেসনেল হেন্দিক্রাফট এৱার্দ ফংগদবা মীওই ১৮ নি। নেসনেল হেন্দিক্রাফট মনা ফংগদবশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী মীওই অহুম য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি, কেন এন্দ বেম্বুগী (কৌনা) ক্রাফটতা থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টুদগী শ্রীমতি লাইশ্রম মেমিচা, দিবিয়াঙ্ক আর্টিস ওইনা- হেন্দ এম্ব্রোইদরিদা ককচিং জিলাগী ককচিং ময়াই লৈকাইদগী শ্রীমতি য়েংখোম ওংবী ইন্দিরা দেবী অমসুং এনদেঞ্জর (সাফি-লানফি)দা ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেংগৈ বজারদগী শ্রীমতি এ.বিমোলা দেবী য়াওরি।

**সংসদঃ** নেসনেল দেমোক্রেতিক এলাইয়েন্স(এন.দি.এ)গী পার্লিয়ামেন্তরি পার্তিগী মীফম অমা ঙসি নিউ দেল্লিদা পাঙথোক্কনি। পার্লিয়ামেন্তরি লাইব্রেরি বিল্ডিংগী জি.এম.সি বলা য়োগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী এন.দি.এগী সদস্যাশিং শরুক য়ানবা খংহনখ্রে।

অমরোমদা, সংসদতা ঙরাং হেলথ সেক্যুরিতি সে নেসনেল সেক্যুরিতি সেস বিল, ২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা পান মসালা অমসুং কেন্দ্র সরকারনা লেপ্পা পোৎলম কয়াদা অহেনবা টেক্স লৌনবা প্রস্তাব তৌরি। হায়রিবা শেনফম অসিনা অসিনা পাব্লিক হেলথ অমসুং নেসনেল সেক্যুরিতিদা থাদগনি।

রাজ্য সভাদা বিল অসি খন্নবগী পাউখুমদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- অহেনবা টেক্স লৌগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী

নাগরিকশিংগী হকশেল অমসুং লান্মীগী শেম শাগৎপদা কান্নহল্লগনি। মহাকা হায়- অহেনবা টেক্স অসি তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংদদি লৌরোই। মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক মতমগী হোংলক্লিবা ফিভম অসিদা সেক্যুরিতিগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অহেনবা শেনফম থাদবা তঙাইফদে।

লোক সভাদা ঙসি ইলেক্তোরেল রিফোর্মসকী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নগনি অদুগা, রাজ্য সভাদনা বন্দে মাতরমনা চহী ১৫০ শুবা কুমওনগী মতাংদা খন্নগনি।

**এময়ু (এল)ঃ** ইন্নোভেসন ইন সাইন্স এন্দ টেকোলোজি হায়বা হীরমদা নুমিৎ হুমি চথ্নগদবা নোর্থ ইষ্ট ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স ঙসিদগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা হৌরগনি। নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিল শিল্লোংগী তেংবাং মখাদা মণিপুর ইন্সটিট্যুসন ওফ টেকোলোজি(এম.আই.টি), মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা পুন্না শিনবা কনফরেন্স অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা দেলিগেটশিং য়াওনা মপাল লৈবাক্কী দেলিগেটশিং শরুক য়াগনি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৬ মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৭ তগী হৌরগনি। কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষা অসি মার্চকী তাং ২০ ফাওবা চথ্নগনি। স্কুলশিংনা প্রেক্তিকেল এগজামশিং মথং চহীগী জনুৱারি ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি।

অমরোমদা, ক্লাস এলেভেনকী পরিক্ষানা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৬ তগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। প্রেক্তিকেল পরিক্ষাশিং ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবদা লোইশিনগদবনি হায়না কাউন্সিলগী কন্ত্রোলরনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**স্কোলারসিপ (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইজ্‌কেসন (এস)না শিন্দুনা ক্লাস থ্রি, ফাইভ অমসুং আইটকী ষ্টেট কম্পিতিতিভ স্কোলারসিপ একজামিনেসন মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ২২ দা পাঙথোক্লগনি। ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না সরকারগী, এদেদ, রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলশিং অমসুং সি.বি.এস.ই স্কুলগী মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম অমসুং মরী লৈনবা ঈ পাউশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা জেট.ঈ.ও ওফিসশিংদগী খংবা য়াগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল দাইরেক্তোরেট অসিদগী খংবা য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খূৎশু খূৎলাই অমদি আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই য়াওনা মীয়ামদা কিহন খঙহনবদা চেন্নবা মীওইশিং ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউ মতুং ইন্না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেল পুলিস স্তেসননা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা সোরেপাগী এক্তিভ কাদর অনি ফারে। মখোয় অসি মীয়ামদা কিহন খঙহনদুনা নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী চাকা অনি পানবা গারি অমা, শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ৩ লিশিং ৯০,৫০০ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেমাই পুলিস স্তেসননা কোনবা অৱাং ৱাবগাইদা লৈবা কি-স্তোন ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিতেদকী মনাক নকপা মফমশিংদগী য়ু.এন.এল.এফ(পাম্বৈ)গী মাওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা মরুতি স্বিফ্ট অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, জিলা অসিমক্কী পাৎশোই পুলিস স্তেসননা কোনবা ঙাইরাংবম ময়াই লন্বী লৌকোল এরিয়াদগী ইন্সাসকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৪, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩০, হেন্দ গ্রেনেদ ১ য়াওনা শিঙ্গল বেরেলশিং অমসুং অতৈ খূৎশুু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

হন্দক্তা মণিপুর পুলিসকী ওফিসর ৬- আই.পি.এসতা প্রমোসন পীখিবশিংবু পীপিং তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালদা লৈবা পুলিস হেদ্কাতরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দি.জি.পি অমদি অতৈ মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিং শরুক য়াখি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কন্মিসনর ধরুনকুমারনা রাজ্য অদুগী নেসনেল হাইৱে ১০২-বিগী পরিংদা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী ফিভম হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুনা সোংতাল অমসুং তুইভাই থোংগী মরক্তা পায়খৎলিবা লন্বী শেম্বগী থবক্তা তপথরিবা অদুদা দিপ্যুতি কন্মিসনরনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। মহাকা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংদা লন্বী অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা পাউতাক পীখি। তুংদা, দিপ্যুতি কন্মিসনরনা দিষ্ট্রিক্ট রিভিয়ু মীফম পাঙথোকখি। মুৱালনুৱাম সব-দিভিজনেল হেদক্কাতরদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এ.দি.সি মুৱালনুৱাম থাংবোই গাংতে, এ.দি.সি চুরাচান্দপুর সাইমিন্থাং লেন্থাং অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসরশিং অমসুং এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কোলকতা-ইম্ফালগী নত্তনা ইন্দিগোগী ফ্লাইট কেন্সেল তৌখিদে, ইন্দিগোনা কষ্টমরশিংদা লূপা ক্রোর ৮২৭ হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ এম.এল.এ

খেমচান্দনা উখ্রুলদা কুকি ইনমেটশিংগা উনখিবগী পাউ অমসুং লোক সভাগী এম.পি বিমোল অকোইজমনা মণিপুরগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাফম কয়া পুখৎখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

এম.এল.এ খেমচান্দনা উখ্রুলদা কুকি ইনমেটশিংগা উনখিবগী পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস পাউচেশিং অসিদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোক্লকখিবা ঈরাং মতুংদা অহানবা ওইনা খেমচান্দনা উখ্রুলদা কুকি ইনমেটশিং উনখ্রে । ৱারে, য়ুমদা হন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না কুকি আই.দি.পি অমনা লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি হায়না ফোঙলি।

মণিপুরগী মতাংদা পুং অমা খক্তমক খন্নসি, মতমদুদা বন্দে মাতরম মপুং ফানা খংগনি হায়না লোক সভাগী এম.পি বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কিয়াম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা শাখিবা বিষ্ণু মন্দির প্রিজর্ভ তৌনবা এন.পি সনাজাওবনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। হাইৱে ফাউদুনা মণিপুর ৱাংম লান্না চৎপা য়াদ্রিবঁগে এয়রলাইন্সশিংনা মণিপুর মীয়ামদগী ফোঙনা লুৎ তৌরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

মমাঙ চহীদা লম হেক্তর লিশিং ১৭তা থারম্বা পোপী পান্বীশিং মাংহনখি, চহী অসিগীসু রিপোর্ট পুথোক্লগনি হায়না প্রিন্সিপাল চিফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ বাজপাইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এম.জি.এস.ৱাই ফেজ থ্রিগা থবকশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে, প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাকা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্বু মীরাইবনি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী মণিপুর খোঙচৎ অথিংবা থম্লে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাং, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, তামেংলোং তাইমস পাউচেশিং অসি য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সেদ্যুল রেটতগী য়ামা নেমা বিদিং তৌবনা সংসদ তেংনৌপলগী পেকেজ অহুমগা মরী লৈনবা বিদিং প্রোসেস মিনিষ্ট্রিনা ককখৎখ্রে হায়বা পাউ- পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

চহী খর লেপ্লুরবা মতুং মনিপুরগী মরুওইবা লম্বীশিংদা এম.এস.টি বস সর্ভিস অমুক হৌরগনি হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**